# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses

Vol. 43, Issue No.273 | য়ুমশকৈশা, ৱাকচিংগী ৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, January 01, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50





জুকো ভেলি
(ফোটো : নিরান্দা ঙাঙোম)

# লৈঙাক্না গেজেট নোটিফিকেসন ফোঙদুনা আই এল পিগী চৎনে-কাঙলোনশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা গেজেট নোটিফিকেসন্দা ফোঙদুনা ষ্টেট অসিদা চৎনগদবা ইন্নর লাইন পর্মিটকী চৎন-কাঙলোনশিং লাউথোকখ্রে।

চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশবাবুনা ঙসি থোকখিবা গেজেট নোটিফিকেসন অদুনা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগুলেসন ১৮৭৩ গী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা আই এল পিগী চৎন-কাঙলোনশিং নোটিফিকেসন অসি থোকপা নুমীৎতগী চৎনবা হৌরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

আই এল পি সিষ্টেমগী গাইদলাইনশিং অসি মণিপুরগী মফম পুন্নমক্তা চৎনগনি। মণিপুরগী য়েলহৌমী নত্তবা নৎত্রগা পর্মেনেন্ট রেসিদেন্ট নৎতবা মীওই অমনা ষ্টেট অসিদা চঙলকপা মতমদা ইন্নর লাইন পর্মিট পায়দবা য়াররোই। পর্মিট অসি মখল মরি থোক্লা খায়দোক্লি। হায়রিবা মখলশিং অদুদি স্পেসল কেটগরি পর্মিট, রেগুলর পর্মিট, টেম্পররি পর্মিট অমসুং লেবর পর্মিটনি।

স্পেসল কেটগরি পর্মিট লৌরগা ষ্টেট অসিদা চঙলক্কদবা মীওইশিং অদুদি গভর্নমেন্টকী কন্ট্রক্টর, ইনভেষ্টর অমসুং ষ্টেট অসিদা লৈবা বিজিনেস ইষ্টাব্লিমেন্টকা থবক তৌনিংবা ট্রেদরনি। অহানবগী ওইনা চহী ৩ গী পর্মিট পীরগা রিন্যু তৌবা য়াহনগদৌরি।

রেগুলর পর্মিট লৌগদবা মীওইশিংদি ষ্টেট অসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরবা মীওই অমনা স্পোন্সর তৌবা অমসুং য়াম্না তোয়না ষ্টেট অসিদা লাক্কদবা মীওইশিংনি। অহানবগী ওইনা থা ৬কী পর্মিট পীগনি।

টেম্পররি পর্মিট লৌগদবা মীওইশিংদি টুরিষ্টশিং অমসুং অতেনবা মতমগী ওইনা মশাগী শক্তাকচে পায়রগা লাকপা বিজিনেস রেপ্রজেন্টটিভশিংনি। অহানবগী ওইনা নুমিৎ ১৫ নিগী পর্মিট পীরগা রিন্যু তৌবা য়াহনগদৌরি।

লেবর পর্মিট লৌগদবা মীওইশিংদি কনষ্ট্রক্সন ৱর্কতা শীজিন্নবা কন্ট্রেক্টর নৎত্রগা ফর্ম নৎত্রগা কম্পনি অমনা মপান্দগী পুশিল্লকপা লেবররশিংনি।

হোম দিপার্টমেন্টনা স্পেসল কেটগরি পর্মিট পীগনি। দেপ্যুটি কম্মিস্নর নৎত্রগা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ওথোরাইজ তৌরবা অতৈ এজেন্সি অমনা রেগুলর পর্মিট পীগনি।

টেম্পররি পর্মিট পীগদবা ওথোরিটিশিংদি দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিং; ন্যু দিল্লি, কোলকাতা অমসুং গৌহাটিদা লৈবা মণিপুর ভৱনশিংগী দেপ্যুটি রেসিদেন্ট কম্মিস্নরশিং নৎত্রগা ও এস দি; জিরিবাম সোংসোং, জেসামি, সিংহাৎ অমসুং মোরেগী সব-দিবিজনল ওফিসরশিং; মাও, জিরবাম, জেসামি, মোরে, বেহিয়াং, সিঙ্জোল অমদি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা লৈবা পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর-ইন-চার্জ নৎত্রগা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ওথোরাইজ তৌরবা অতৈ এজেন্সিশিংনি।

লেবর পর্মিটতি দেপ্যুটি লেবরর কম্মিস্নর অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ওথোরাইজ তৌবা এজেন্সি অমনা পীগনি হায়রি।

স্পেসল পর্মিট লৌবদা অহানবগী ওইনা লুপা ৫,০০০ অমসুং রিন্যু তৌবদা লুপা ১০,০০০ চঙগনি। রেগুলর পর্মিট লৌবদনা অহানবদা লুপা ৫০০ অমসুং রিন্যু তৌবদা লুপা ১০০০ চঙগনি। টেম্পররি পর্মিট লৌবদা অহানবগী ওইনা লুপা ১০০ অমসুং রিন্যু তৌবদা লুপা ২০০ চঙগনি। গ্রুপকী ওইনা বল্ক পর্মিট লৌবদা অহানবগী ওইনা মী অমমমগী লুপা ১০০ লৌগনি অমসুং রিন্যু তৌবদসু লুপা ১০০ লৌগনি হায়রি।

ষ্টেট অসিদা মীতোপ চঙলকপা য়েংশিন্নবগী-দমক মাও, জিরিবাম, জেসামি, মোরে, বেহিয়াং অমসুং সিঙ্জোলদা চেক গেটশিং লৈগদৌরি।

কনাগুম্বা ষ্টেট অসিগী পর্মেনেন্ট রেসিদেন্ট নত্তবা মীওই অমনা পর্মিট য়াওদনা লৈরম্বা থোক্লবদি বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগুলেসন ১৮৭৩ গী মখাদা প্রোজিক্যুসন চথগদৌরি। অদুমওইনমক ষ্টেট গভর্নমেন্টনা মথক্কী গাইদলাইনশিং অসি মতাং মতমগী মতুং ইন্না কোমথোকপা য়াই হায়বা ৱাফমসু নোটিফিকেসন অদুদা য়াওরি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা খুৎয়েক পীদুনা হৌখিবা দিসেম্বর ১১দা থোকখিবা গেজেট নোটিফিকেসন অমনা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগুলেসন ১৮৭৩ মণিপুরদা এক্সটেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা ইন্নর লাইন পর্মিট চৎনবা হৌহনখিবনি। হৌখিবা দিসেম্বর ৯দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট চৎনহল্লগনি হায়না লাউথোকখিবা নুমীৎ নীনি লৈরগা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা দি এদোপ্সন ওফ লো ২০১৯ ইস্যু তৌরদুনা মণিপুরদা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগুলেসন ১৮৭৩ চৎনহনখিবনি। অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমসুং মিজোরামগী মতুংদা আই এল পি চৎনবা ইন্দিয়াগী মরিশুবা ষ্টেট মণিপুরনা ওইরে।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী ষ্টেট কেবিনেট মীফম্নসু কুমজা ২০২০গী চহী হৌবা নুমীৎতগী ষ্টেট অসিদা আই এল পি মপূং ফানা চৎনহল্লগনি হায়না লেপ্লখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা চৎনগদবা আই এল পিগী চৎন-কাঙলোনশিংগী মতাংদসু কুপ্না খন্ন-নৈনখিবনি।



# অনৌবা চহীনা লাকপসিদা মাথিউরোংলিউ গাংমৈপুইগী চহী ১১৭ শুরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী ওইনা চহী খ্বাইদগী য়াম্লবা মীশক অমনি হায়নরিবা মশাগী চহী ১১৬ শুরবী মাথিউরোংলিউ গাঙমৈপুই নোনেদগী কিলোমিটর ৬ লোম চৎলগা লৈবা মরাংচিঙ পার্ট-৩দা ঙসিসু হকচাং শোল্লবসু অনা অয়েক য়াওদনা লৈহৌরি। অনৌবা চহী লাকপসিদা মাথিউরোংলিউ গাংমৈপুই মশাগী চহী ১১৭ শুরগনি। খুনগী অমদি তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মহাকপু উনবা লাকপা মীওইশিংগা ৱারী ৱাতাই শাবা ঙল্লি। মাথিউরোংলিউ গাঙমৈপুইগী চপ চাবা পোকপগী চহী য়াওবা সর্টিফিকেটনচিংবা দোক্যুমেন্টশিং লৈত্রবসু মহাক মশামক অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনদি মহাক্কী চহী অসি ১১৬ শুরে হায়না পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

মাথিউরোংলিউ গাঙমৈপুইগী লৈখিদ্রবা মপুরোইবগী মিং পৌহৌলুং গাংমৈ কৌই। মহাক্কী মচা পুন্না ১৬নি। হৌজিক্কী ওইনা মচা নুপা অমা অমদি মচানুপী ৩ খক হিংদুনা লৈরি। মহাক্কী অপোকপগী মিং টাদোনাং কাংমৈ অমদি অপোকপীগী মিংনা বনরুল্লু কাংমৈ কোই। লমদম অসিগী চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা মাথিউরোংলিউ গাঙমৈপুই ঙসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা মতেং অমত্তা ফংদনা মহাক্কী মচানুপাশিংগী মনুংদা ইতোন তোনবা মচা কগুইচাং গাংমৈ (৬০) অমদি মচানুপী জবামলিও গাংমৈ (৫৮)না য়েংশিন্দুনা লৈরি।

# কুমজা ২০২০ খ্বাইদগী শাথিবা ঈরাং থোকপা চহী ওইগনি : নোষ্ট্রদামস



ফ্রেঞ্চ এষ্ট্রোলোজর মাইকল দি নোষ্ট্রদামস ঙসিগী মালেম অসিদগী চৎখ্রবসু চহী ৫০০গী মমাংদা মহাক্লা মালেম অসিদা থোক্লক্কদবা থৌদোকশিংগী মতাংদা হায়রম্বা ৱাফমশিং অয়াম্বনা চুমদুনা ঙসি ফাওবগী মনুংদা খূদম কয়া পুথোকখ্রে।

মহাক্লা তুংদা থোরক্কনি হায়রম্বা ৱাফমশিংগী মনুংদা লেদি দায়না শিখিবা, এদলোফ হিটলরগী ঈহৌ হৌগৎলকপা, সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার অমসুং ৯/১১নচিংবা থৌদোকশিং চুম্মী হায়না লৌনখ্রবনি। মরমশিং অসিনা মালেম পুম্বগী মীওইশিংনা এষ্ট্রোলোজর মাইকল দি নোষ্ট্রদামসনা তুংদা থোক্লক্কনি হায়রম্বা ৱাফমশিং ঙসিসু থাজনরি। কুমজা ২০২০দা ওইরক্কদবা অমদি থোক্লক্কদবা ৱাফম কয়াসু মহাক্লা হায়রমখি। নোষ্ট্রদমসনা কুমজা ২০২০ দা থোক্লক্কনি হায়রম্বা ৱাফমশিং খঙমিন্নসি -

- চহী অসিদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মরত্তা য়েংথিনবগী চাংহেনগৎকনি। ইন্দিয়াদগী হৌরদুনা মালেম পুম্বগী ইকনোমিগী ফীভম অঙকপা ফংনা শোকচিল্লক্লগনি।
- মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা সিভিল ৱার থোকপগুম মীয়াম্না লম্বীদা থোক্লক্তুনা খোল্লাউ কয়া লাউগনি।
- কুমজা ২০২০দা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমীর পুটিন শকখঙদবা মীওইশিংনা হাৎনবগী হোৎনরকপা য়াই অমদি অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অৱাবা কয়া মায়োক্লরগনি। লোয়ননা গ্রেট বৃটেনগী ক্যুন তাইবংপান থাদোক্তুনা চৎখ্রগনি। মদুনা মরম ওইদুনা মালেমগী মীপুম খুদিংগী ৱাখল ৱাগনি অমদি হৌখিবা চহী ৭০ রোমগী মনুংদা খ্বাইদগী অচৌবা-অচৌবা খুদোংথিবশিংগী থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইগনি।
- মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা য়াম্না তমথীবা নোংলৈ-নুংশিৎ অমদি য়ুহা হাদুনা মালেম পুম্বদা চাওনা অমাঙ-অতা থোক্লনি।
- মহাক্লা হায়রম্বদা চহী অসিগী থোক্লকদবা অফবা ৱাফম হায়রগদি অনা-লায়েংগী মতাংদা অনৌবা খুৎলাই কয়া পুথোরকপনা অচৌবা অহোংবা অমা লাক্কনি।

নোষ্ট্রদামসনা হায়রম্বশিংগা চুশিন্নবা মওংদা ইন্দিয়াদা হৌজিক এন আর সী অমসুং সী এ এনচিংবগী মায়োক্তা ঈরাং কয়া লাক্লি। অতোপ্পা লৈবাকশিংদসু ঈরাং কয়া থোকপগা লোয়ননা ফ্রান্স লৈঙাক্কী মায়োক্তা অশি-অনা য়াওবা ভাইয়লেন্স ওইবা ঈহৌ কয়া হৌরি। ইকনোমিগী মতাংদা হায়রগসু চাইনা অমদি অমেরিকাগী মরক্তা ট্রেদ ৱার হৌখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনসু ঙসি ইকনোমি য়াম্না শাথিনা চহী অসিদা হন্থবা হায়বদু ওইরি।

কুমজা ২০১৯দা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক ২৪ থোকখি। থৌদোকশিং অসিদা মীওই কয়া অশোক-অপন নংখি।



হৌখিবা কুমজা ২০১৯দা মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা ইস্যুশিংগা মরী লৈননা পূন্না নুমীৎ ২৫নি বন্দ অমসুং জেনরেল ষ্ট্রাইক চৎখি।

# গভর্নর, সী এম য়াওনা অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি



ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচএনএস): অনৌবা চহী লাকপগা ইরোইননা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, মিনিষ্টরশিং য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

গভর্ণরনা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোলনা হায়, অনৌবা চহীদা খোঙ থাংজিনবগা ইরোইননা লৈবাক্কী অপুনবা শক্তম ঙাক্লবগী মতাংদা মথৌ তাবা থৌরাং লৌখৎমিন্নরসি। অপীবা মতমগী মনুংদা নেসনল ওবজেক্টিব থবক্তা ওন্থোক্লবা থৌরাং লৌখৎমিন্নরসি। অনৌবা চহীনা লাকপদা ষ্টেট অসিগী মীপুম খুদিংমক নুংঙাই য়াইফনা পানবগা লোয়ননা ঈং তপ্পা অমসুং চাকহোংঙাহোংবা ওইরসনু হায়নসু গভর্ণরনা ফোঙদোরক্লি।



চীফ মিনিষ্টরনা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০১৯বু ষ্টেট অসিগী ওইনা নীংশিংনিংঙাই ওইবা চহী অমনি হায়না লৌবা য়াই। মীয়ামগী হোৎনজমন মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্দুনা মণিপুরগী অনৌবা পুৱারি অমা শেমখি। হেল্থ, এদ্যুকেসন, ৱেলফেয়র অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর সেক্টরদসু খুৎমাং চাওশিনবা ঙমখি। কুমজা ২০২০না লাকপদা শীংনবা পুন্নমক মায়োক্লবগা লোয়ননা মায় পাকপগী লম্বীদা খুৎমাং চাওশিন্না চঙশিনবা ঙম্লগনি হায়না থাজে। মীপুম খুদিংমক্তা অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, মাহুদ মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, কঞ্জ্যুমর এফেয়র্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর করাম শ্যাম অমদি ৱর্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎনসু মণিপুরগী মীয়ামদা অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অমরোমদা, আই জি এ আর (সাউথ)গী মেজর জেনরেল কে পি সিংহনসু কুমজা ২০২০ লাকপগা মরী লৈননা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

## গাড়ী এক্সিদেন্টতা মীওই ১৬১ শিখি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারি অমদগীনা দেসেম্বর ৩০ ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা লম্বীদা থোকখিবা গাড়ীগী এক্সিদেন্টতা মীওই ১৬১ শিখি অমসুং মীওই ২০০ হেনবনা অশোক-অপন নংখি হায়না লম্ফোলদা লৈবা রিমস হোস্পিটাল অমদি পোরোমপাৎতা লৈবা জেনিমস হোস্পিটালদগী পাউচে অসিনা ফংবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

## কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারীদগী নবেম্বর থা ফাওবদা মণিপুরদা নুপী-অঙাংগী মথক্তা চৎথখিবা ক্রাইমশিং (ৱিমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্টনা পীবা দাটা)

| নেচর ওফ কেস | কেস মশীং |
| --- | --- |
| রেপ | ৩৭ |
| সস্পেক্ট দেথ | ১২ |
| মর্দর | ১৩ |
| সুসাইদ | ২০ |
| এটেম্প টু মর্দর | ০৩ |
| সাইবর ক্রাইম | ০৯ |
| এসোল্ট | ২৯ |
| ট্রাফিকিং | ১০ |
| কিদনেপিং | ০৪ |
| ফোর্স এবোর্সন | ০২ |
| সেক্সুয়ল হরাসমেন্ট | ০২ |
| চিটিং | ০১ |
| মিসিং | ৪০ |
| ক্রাউদ কন্ট্রোল এসোল্ট | ৫৯ |
| দেথ ওন দিলিভরি | ০৬ |
| দেথ ওন মেদিকেল নেগ্লিজেন্স | ০৪ |
| এটেম্প টু সুসাইদ | ০৫ |
| অপূনবা | ২৫৬ |

অনৌবা চহীসিনা লাকপদা নুংঙাই য়াইফবা ওইবীরো হায়না য়াইফ পাউজেল পীজরি !



য়াইফ পাউজেলসিদা করম্না নুংঙাইগদৌরিবনো হায়বদুসু অমুক্তং হায়বীরম্লদি পেল্লনিদা!

# ২০১৯দা থোকখিবা অচৌবা থৌদোকশিং হঙ্গৎনা য়েংলুবদা...

- জিরিবামগী গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা মৈ লাক্তবদগী টোর্চলাইটকী মৈঙান্দা মৌ নহা অমা দোক্টর অমদি নর্সশিংনা অঙাং উনখি।
- সী এ বিল পাস তৌনবা থৌরাং পায়খৎলকখিবগী মায়োক্তা চঙশিনখিবা খোঙজংশিংদা মীওই ৩২ রোম অশোক-অপন নংখি।
- নারেংবম সমরজিৎনা ওক্টোবর ২৯দা মণিপুর ইন্দিয়াদগী তোখায়না তারে হায়না লন্দনদগী মীদিয়াদা লাউথোরকখি।
- সী বি আইনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী, পি সী লোকুমঙা, দি এস পুনিয়া অমসুং দল্লিয়ু নিংথেমগী য়ুম য়াওনা মফম ৯দা রেইদ চথখি।
- এপ্রিল ১৫দা পুংদা কিলোমিটর ৪০ রোম য়াংনা শীৎখিবা নোংলৈ নুংশিৎতা নুপী ৩ শীখি, মীওই ৩৮ রোম্না অশোক অপন নংখি।
- বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা পাঙথোকখিবা বি জে পি এনরোলমেন্ট ড্রাইভতা মীওই লাক্ষ ৩.২৪ হেন্না মেম্বর ওইননবা মিং চনখি।
- শীংজমৈ মথক থোকচোম লৈকাইদগী থোকচোম নিংঙোল নাওরেম ওংবী রেখা মশাগী ময়ূমমক্তদা নুংথিল পোবোপ্তা হাৎলমখি।
- বামোন কম্পু খাবমদগী খুঞ্জাময়ুম অরুন মঙক্তা থাঙগুম্বা পোৎশক্লা লেল্লগা হাৎলবা মতুং বামোন কম্পুগী লাংথ্রে লৌকোলদা হুন্দোক্লমখি।
- কুম্বী সেতুপুর ময়াই লৈকাইদগী খাঙেম্বম অচৌ কৌবা মীওই অমবু লমগী ৱাহৌদগী য়ূমথংনবদা লৈবা মীওই অমনা মঙক কত্তুনা হাৎখি।
- ইকৌদগী পি মেমীবু হাৎলবা মতুং বোরাখাউদা হাপ্পুনা তুরেলদা হুন্দোক্লম্বা থৌদোক্তা চেন্নবা রোহিট থৌরী য়াল্লগা হাৎনবা কোর্টনা য়াথং পীখি।

# জেনরেল বিপিন রাৱতনা ইন্দিয়াগী অহানবা চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ ওইরে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৩১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন আর্মিগী চীফ জেনরেল বিপিন রাৱতনা লৈবাক অসিগী অহানবা চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ ওইনা থবক পুবা হৌখ্রে। রাৱতনা য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টরগী প্রিন্সিপাল মিলিটরি এদভাইজর ওইবগা লোয়ননা দিপার্টমেন্ট ওফ মিলিটরি এফেয়র্সকী মকোক ওইরগনি।

দিল্লিদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা জেনরেল রাৱতনা, অনৌবা ফম অমা পায়রবনিনা তুংদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা পোরম য়াৎপা হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বিপিন রাৱটপু চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ ওইনা হাপখিবা অসিনা য়ু এস অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা মিলিটরিগী কোওপরেসন পীনবদা মতেং ওইরগনি হায়নসু য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনসু ফোঙদোকখ্রে।

# চহী অসিদা মার্কেটতা লাক্কদৌরিবা অনৌবা কার



**হ্যুইন্দাই ওরা :** অনৌবা সব-কম্পেক্ট ওইবা হ্যুইন্দাই কার অসি কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ২১দা ১২-সেগমেন্ট ফর্ষ্ট ফীচর্স এন্দ্রোইদ ওটো, এপল কারপ্লে, ৮ ইঞ্চ টচস্ক্রিন ইনফোটেন্টমেন্ট সিষ্টম, প্রিমিয়ম সাউন্দ অমদি ৱয়রলেস চার্জিংনচিংবা ফীচর্স কয়াগা লোয়ননা মার্কেটতা লোঞ্চ তৌরগনি।



**টাটা নেক্সোন ইলেক্ট্রিক কার :** টাটা মোটোরসকী অহানবা ইলেক্ট্রিক এস য়ু ভি নেক্সোন ই ভি দি কার কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারীদা মার্কেটতা লাক্লগনি। জিপ্ট্রোন ইলেক্ট্রিক পাউরট্রেন টেক্নোলোজি অমদি ৩০.২ কে দব্লিয়ু ঐচ লিথিয়ম-আয়ন বেট্রি অমসু য়াওরি। চার্জ অমুক তৌখিবনা কিলোমিটর ৩০০ হেন্না থৌবা য়াগনি।



**কিয়া কার্নিবল :** সেলটোস এস য়ু ভিগী মতুং কে আই এ মোটোরসনা ন্যু প্রিমিয়ম কে আই এ কার্নিবল এম পি ভি অমা ইন্দিয়াদসু পুথোরক্লগনি। লগজরি ওইবা এম পি বি অসি ৬,৭ অমদি ৮ সিটর ওইগনি। বি এস-৬ কমপ্লায়ন্ট ২.২-লিটর দিজল ইঞ্জিন য়াওরবা কার অসিগী মমল মার্কেটতা লুপা লাক্ষ ২৭কী ময়া ওইগনি।

# চহীসিগী স্পোর্টসতা মীৎয়েং অমা

## টোকিও ওলিম্পিক গেম্স ২০২০




মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী কুম্মৈনি হায়নরিবা ওলিম্পিক গেম্স কুমজা ২০২০গী জুলাই ২৪দগী হৌরগা ওগষ্ট ৯ ফাওবা ফজবদা য়েংবগী পেনবা নাইদে হায়নরিবা জাপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরি।

## আই সী সী ৱর্ল্ড টি-২০ কপ




ক্রিকেটপু পামজবা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরিবা আই সী সী ৱর্ল্ড টি-২০, ২০২০ চহী অসিগী ওক্টোবর ১৮দগী হৌরদুনা নবেম্বর ১৫ ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোক্কনি।

## য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ ২০২০




য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ জুন ১২দগী হৌরগা জুলাই ১২ ফাওবা য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংগী তোঙান-তোঙানবা সীটি ১২দা শান্নগদৌরি। অহানবা মেচতা টর্কি অমদি ইটালিনা রোমগী ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

## চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ২০২০




চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ২০২০ ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা চহী অসিগী নবেম্বর ২দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা নুপাগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপসু য়ূম্বু ওইখ্রবনি।


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫